

# সনালৈবাক স্পোর্টস




IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 24, 2020 **PAGE 7**


*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী মমাঙদা ৱার্ল্দ নম্বর ৱান ওইরম্লবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা*

*সোফিয়াদা চখরিবা ষ্ট্রান্দজা মেমোরিয়েল বোক্সিংদা নুপীগী কেজি ৫৭ কী কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবী ইন্দিয়াগী সোনিয়া লাথর*

## চেন্নাইননা জমসেদপুরবু গোল্ড ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট অহুম ফংখ্রে



*চেন্নাই, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা যুম্থু টিম ওইখিবা চেন্নাইন এফ সিনা জমসেদপুর এফ সিবু গোল্ড ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা মপুং ওইবা পোইন্ট অহুম ফংখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী যুম্থু টিম ওইরিবা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্থদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এন্দ্রি চেন্ত্রীনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট নেরিজস ভালস্কিসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখ্রবসু মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৪৩শুবা মিনিটতা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা রাফেল ক্রিভেল্লারোগী মতেংদগী এন্দ্রি চেন্ত্রীনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনিটতা গোল শোখ্রিবা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জয়নর লোরেনকোনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট সর্জিও কাষ্টেলনা গোল অমা চন্দুনা ১–২ দা শোখ্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা চেন্নাইনগী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা নেরিজসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৮৭শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফ সিগী শান্নরোই লালিয়ানজ্বালা ছাংটেনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৪–১ দা জমসেদপুরবু মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচতা হায়দরবাদ এফ সি অমসুং মুম্বাই সিটি লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়ান আর্চরিদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

*লোজেন, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ৱার্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) গী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা অদু ঙসি লৌথোকখ্রে। অথিংবা লৌথোকখিবগী দিসিজন অসি একজিক্যুটিভ বোর্দনা পোষ্টেল ভোট তৌদুনা লেপখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই, আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া অসি মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ৫ দগী হৌরগা ৱার্ল্ড আর্চরিনা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা ইনিদয়াগী আর্চরশিংনা ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবনি। হৌজিক্তি অথিংবা অসি লৈত্রবা মরম্না ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা ৱার্ল্ড আর্চরি ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্লগনি।

অথংবা লৌথোকখ্রবসু ৱার্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট অদু থা ৩ / ৩ গী ওইনা পীশিল্লকদবনি। ইন্দিয়ান আর্চরিনা মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা ষ্ট্রেটেজিক প্লান তৌগদবনি লোয়ননা অতোপ্পা গোভর্ণান্সকী ইশু লাকপদা রিজোল্ভ তৌগদবনি হায়রি।

হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপা আর্চর ৩ অমসুং নুপী আর্চর ১ টোকিও গেমসকীদমক কোটা ফংবা ঙমখ্রবনি। মখা তানা কোটা ফংনবগীদমক ইনিদয়াগী আর্চরশিংনা মায় ওনশিনবা য়ারে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টি টি টিম ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইনবা মেটচ অমমম মায় পাকপা তারি

*গোন্দোমর, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*



পোর্টুগালগী সিটি গোন্দোমরদা চখরিবা ৱার্ল্ড টিম ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেন্নিস টিম প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইনবা মেটচ অমমম মায় পাকপগী মথৌ তারি।

ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টেবল টেন্নিস টিমশিং অসিনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিং অসি করিগুম্বা মায় পাক্নুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবদি ওলেম্পিক্কী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড টিম ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী রাউন্দ ওফ ৩২ গী টাই অমদা ইন্দিয়াগী নুপা টিম্না লুজেমবর্গপু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

টাই অসিগী অহানবা মেটচ দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র সরাথ কমাল অমসুং হরমিত দেসাইনা লুজেমবর্গকী পেয়র গাইলস মিচেলি অমসুং ইরিক গ্লোদবু ১১–৯, ১৬–১৪, ১১–৬ তা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৩০ জি সাথিয়াননা লুজেমবর্গকী শান্নরোই লুকা লাদেনোভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৮–১১, ৯–১১, ১১–৩, ১৩–১১, ১১–৬ তা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সরাথ কমালনা লুজেমবর্গকী গ্লোদপু ১১–৩, ১১–৩, ১২–১৪, ১১–৫ দা থোইদুনা টাই অসি মেটচ ৩–০ দা মায় পাক্নুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ৱার্ল্ড টিম ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী রাউন্দ ওফ ৩২ দা ইন্দিয়াগী টিম্না স্বিদেনবু মেটচ ৫–২ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অহানবা মেটচ দবলসতা ইন্দিয়াগী অর্চনা অমসুং মুখরজি মায়থিখি। অনীশুবা মেটচ সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী মনিকানা লিন্দাবু ১১–৪, ৬–১১, ১১–৭, ১১–৭ দা থোইদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নখি। অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী মুখরজি মায়থিদুনা মেটচ ১–২ দা শোখ্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকখিবা সিঙ্গলসকী মেটচ অনীদা ইন্দিয়াগী অর্চনা অমসুং মনিকা মায় পাক্নুনা মেটচ ৩–২ দা থোইখি।

## ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ ৩শুবা রাউন্দ চঙখ্রে





*মেলবর্ন, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্নুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্থু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এলেক্স বোল্টকা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ৩–২ (৬–২, ৫–৭, ৬–৭(৫–৭), ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বেলারসকী শান্নরোই ইগোর জেরাসিমোভপু ৭–৬(৭–৫), ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

রুশিয়াগী শান্নরোই দানিল মেদভেদেভসু নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী পেদ্রো মার্টিনেজবু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৭–৫, ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

১০শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসসু অনীশুবা রাউন্দদা ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসপু ৪–৬, ৭–৬(১০–৮), ৬–৪, ৭–৫ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এন্দ্রিয়াস সেপ্পীবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪–৬, ৭–৫, ৬–৩, ৩–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাসু ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী লোরা সৈগেমুন্দবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই হেরিয়েট দার্টপু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্থু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অজলা টোমলজানোভিসপু ৬–৩, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।


ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্লা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৭–৫, ৭–৫ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা সিদেদ ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবরসু ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রিসকিল্লা হোনবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৯শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী দোন্না ভেকিকনা ফ্রান্সকী শান্নরোই এলিজ কোর্নেটপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## জুবেন্টসনা রোমাবু গোল ৩–১ দা থোইদুনা ইটালিগী লীগ কপকী ফাইনেল য়ৌখ্রে, পি এস জিসু মায় পাক্নুনা ফ্রেঞ্চ লীগ কপকী ফাইনেল চঙখ্রে

*জুবেন্টস। পেরিস, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*



জুবেন্টসনা রোমাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ইটালিগী লীগ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা রেয়িমসপু গোল্ড ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌদুনা লিওনগা লম্বা তৌনরগনি।

জুবেন্টস অমসুং রোমানা শান্নখিবা ইটালিগী লীগ কপকী সেমি ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী শান্নবগী মতম মিনিট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৬শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা রোমাগী শান্নরোইশিং দা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

মেটচ অসি মখা তানা শান্নরকপদসু গোল অমা মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্থদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। রোমাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৩৮শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী টিমনা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা রোদ্রিগো বেন্টানকুরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই লিওনার্দো বোনুচিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরবা হেক হৌরকপদগী গোল শোখ্রিবা রোমাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না কনশিল্লক্নুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা রোমাগী শান্নরোইশিংনা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা জুবেন্টসকী শান্নরোই জিয়ানলুইগি বফোননা শোয়বদগী চনশিনজখিবা গোলনা রোমা জবেন্টসতগী গোল ১–৩ দা শোখ্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা রোমাগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চখ্থদুনা শোখ্রিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু জুবেন্টসকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি জুবেন্টসনা রোমাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ইটালিগী লীগ কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পেরিস সেন্ট জর্মেননা রেয়িমসপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা লিওনগা লম্বা তৌনরগনি।

ফ্রেঞ্চ লীগ কপ অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌবদগী পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্থদুনা গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনিটতা এটেক হেন্না চখ্থদুনা শান্নবা ঙমখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মারক্যুনহোসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি গোল ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩১শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রেয়িমসকী শান্নরোই ঘিস্লেন কোনাননা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা পি এস জিনা গোল ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।



অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনিটতা রেয়িমসকী শান্নরোই মার্সেল মুনেষ্টি মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী টিম অসিগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌরদুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৭৭শুবা মিনিটতা চখ্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নিয়ানঝৌ কৌৱাসিনা গোল অমগা চনশিন্দুনা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি মখোয়না গোল ৩–০ দা মায় পাক্নুনা ফাইনেলদা লিওনগা লম্বা তৌনরগনি।

## সিবরামকৃষ্ণন, চৌহান, খুরাসিয়া নেসনেল সেলেক্টর ফমগী চে থাজিনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মমাঙদা লেগ–স্পিন্নর ওইরম্বা সিবরামকৃষ্ণন, মমাঙগী ওফ–স্পিন্নর রাজেস চৌহান অমসুং লেফ হেন্দেদ বেটসমেন খুরাসিয়া নেসনেল সেলেক্টর ফমগীদমক চে থাজিনখ্রে।

মশাগী চহী ৫৪শুরবা সিবরামকৃষ্ণন টেষ্ট মেটচ ৯ অমসুং ৱান দে ইন্টরনেসনেল ১৬ শান্নখ্রে। মহাক্কী মতেংনা ইন্দিয়ানা বেন্সন এন্দ দেদজেস ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌবা ঙমখি। মহাক কমেন্টেটর ওইনা চহী ২০ থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রবা মীওই অমনি।

রাজেস চৌহান ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা টেষ্ট মেটচ ২১ অমসুং ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩৫ শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক ১৯৯০ স্বাইদা অনিল কুমব্লে অমসুং ভেনকটপতি রাজুগা লোয়ননা শান্নমিন্নরকখিবনি।

রাজেস চৌহাননা ফোঙদোরকখিবদা মহাক মমাঙগী নেসনেল সেলেক্টর লৌবগী মতমদসু ফম অসিগীদমক এপ্লাই তৌখি। অদুবু মহাক খল্লকখিদে, মহাক্না ফম অসি য়াম্না পামজখিবদগী অমুক হন্না চে থাজিনখিবনি।

অমে খুরাসিয়াসু ফম অসিগীদমক এপ্লাই তৌখ্রে। ফম অসিগী এপ্লিকেসন পীশিনবগী মতম ইরাই নুমিৎ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

### ক্রোসৱার্দ ৪০৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | O | F | T | ■ | R | A | F | T | ■ | O | R | B | S |
| L | O | N | E | R | ■ | E | L | L | A | ■ | Z | E | A | L |
| M | A | C | R | O | ■ | D | D | A | Y | ■ | A | N | N | E |
| A | N | E | N | J | O | Y | A | B | L | E | R | E | E | D |
| ■ | ■ | ■ | ■ | A | R | E | ■ | ■ | O | A | K | ■ | ■ | ■ |
| A | L | U | M | N | A | ■ | B | O | R | G | ■ | S | P | A |
| R | O | N | A | ■ | T | H | I | N | ■ | L | A | T | I | N |
| I | C | A | N | F | E | E | L | T | H | E | B | E | E | T |
| S | U | P | E | R | ■ | A | L | O | E | ■ | L | I | T | E |
| E | S | T | ■ | I | N | D | Y | ■ | A | R | E | N | A | S |
| ■ | ■ | ■ | A | G | A | ■ | ■ | A | T | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| P | L | U | G | G | I | N | G | T | H | E | L | E | E | K |
| L | A | N | E | ■ | A | E | R | O | ■ | K | A | R | E | N |
| A | K | I | N | ■ | D | R | U | M | ■ | E | M | I | L | E |
| N | E | X | T | ■ | S | O | B | S | ■ | D | E | N | S | E |


**In the Court of SDC/Salam**

*Ref. :- Mutation Case No. 20/SDC/IW(S) of 2020*

Thingujam Sorojini Devi W/o L. Nimai Singh of Sagolband Salam Leikai Mamang Leirak

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Maishnam (N) Thingujam (O) Dashumati Devi D/o Ibobi Singh of Salam Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*The 23rd Jan 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Thingujam (O) Dashumati Devi পীং মৃঃ Ibobi Singh সাং Salam Leikai গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 76- Salam Keikhu গী অনৌবা পাট্টা নং 43 দাগ নং 1211 অমসুং এরিয়া 0.20 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখ্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(L)/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 144/SDC/IW(C) dt. 20/01/2020

Kangabam Ranjit Singh S/o (L) Kangabam Chourjit Singh of Keishampat Thiyam Leikai

Petitioner(s)

-Vs-

Kangabam Chourjit Singh S/o Tunal Singh of Keishampat Thiyam Leikai

O.P(s)

**NOTICE**

Imphal, the 23/01/2020

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা পাট্টাদার Kangabam Chourjit Singh S/o Tunal Singh of Keishampat Thiyam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অরিবা পাট্টা নম্বর 85/192 অনৌবা পাট্টা নং 2304 দাগ নং 17231 অমসুং এরিয়ানা .0508 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখ্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central

*SL/5764/24*